# ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ঙনা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে




**ওকলেন্দ, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ন্যু জিলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু মথংশিংনা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ঙনা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা জোনাথন খৃষ্টিনা হোংকোংগী শান্নরোয় ঙা কা লোংগা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াই খৃষ্টিনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় কান্তা সুনিয়ামাবু ২১-১২, ২১-১৫দা থোইরমখি। অমরোমদা ঙা কা লোংনা চাইনাগী লিন দানবু ২১-১৩, ২১-১১দা য়াম্না কোম্না থোইরমখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা খৃষ্টিনা অহানবা গেমদা ঙা কা লোংবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ২১-১২দা থোইবা ঙমখ। অনীশুবা গেম অদুদা ঙা কা লোংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ১৩দগী হেনবা ঙমখিদে। ২১-১৩দা থোইদুনা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী লী জুরোইগা সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ঙগা লম্বা তৌনখি। জুরোইনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা নম্বর ৱান শান্নরোয় জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১৩-২১, ২১-১৯, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরম্বনি। নাকল অমরোমদা আন সি য়ঙনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা অমতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় অয়া ওহোরিবু ২১-১৭, ১৯-২১, ২১-১৩দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু য়াম্না লম্বা মান্নখি। লোয়শিল্লকপদা সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ঙনা পোইন্ট ২১-১৯দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা চাইনাগী জুরোইনা হেন্না ফজনা শান্নরক্কদ্রা হায়না খন্নরম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা য়ঙনা ফজবা হেনখিবদগী ২১-১৫দা থোইদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মুহম্মদ অহসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱননা জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা হিরোয়ুকি এন্দো অমসুং য়ূটা ৱাতানবেবু য়াম্না লেংমান্নতা থেংনখিবা ফাইনেল অদুদা গেম ২-১দা থোইখি।

অহানবা গেম জপানগী পেয়র অদুনা ২২-২০দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১৫দা থোইখি। অদুদা দিসাইদিং গেম অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী হেন্দ্রা সেটিয়াৱন অমসুং মুহম্মদ অহসাননা ২১-১৭তা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ পেয়র মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং অয়াকা টকাহাসিবু সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম সো য়িয়োং অমসুং কোং হী য়োংনা ২১-১৫, ২১-১৮দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসতা মলেসিয়াগী চান পেঙ সুন অমসুং গো লিয়ু য়িঙনা ইন্দোনেসিয়াগী প্রবিন জোর্দান অমসুং মেলাটি দেভা ওক্তাভান্টিবু ২১-১৪, ১৫-২১, ২৯-২৭তা থোইরগা টাইটল লৌখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৪

১) ঐহাক ওলিম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াবা এথেন্সতা কুমজা ২০০৪দা চৎলুবদা নুপীগী নূং লংবগী থৌরম অদু ওলিম্পিক পাঙথোক্লিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা পাঙথোকখিদে। পুৱারীগা মরী লৈনবা মফম অমদা পুরগা অথোই অহেন তান্নহনবা অদু পাঙথোকখি। মফম অদু কদায়দনো?

২) মহাক ওলিম্পিক্কী লমজেল চেম্পিয়ননি। মহাক্না শরুক য়াবা লমজেল অদু অহানবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.১৬তা চেনখি, অনীশুবা রাউন্দদা সেকেন্দ ৫১.৮৪দা চেনখিদুনা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক কনানো?

৩) মহাক ফ্রান্সকী সেবর টিমগী ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুরে, মদুদা মরিশুবা তাখি অদুবু মহাক্তি নোবেল হুস্ফু হেন্না ইদুনা মমিং য়াম্না চৎখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী ইরোইবা চেম্পিয়ন স্বিদেনমচা অমা স্পেন্দা অথোই অহেন তান্নবা অমদা শরুক য়াবা চৎলুবদা লৈবাক অদুগী চৎনবী মিলিটরিগী মথৌ তৌনবা কৌখৎপদা চৎলুদবদগী জেলদা থমখিবা অদু কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী ফুটবোল টিম্বু মেসিদোনিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



**ন্যু দিল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** স্লোভেনিয়াদা পাঙথোকপা চহী ১৫ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এম য়ু চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী টিম্বু মেসিদোনিয়াগী টিম্না পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

স্লোভেনিয়াগী রেন্স সিটিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াবু মেসিদোনিয়ানা থোইরম্বনি। মেচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি।

মেচকী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মণিপুর মচা রেনেদি য়ূম্নামনা য়াম্না নকপা মফমদগী কাওশিনখিবা য়ারবা তাঞ্জা অদু মাঙজখিদুনা পাঞ্জল ওইহৌদবনি। অহানবা হাফ অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খুদোংচাবা কয়া ফংখি।

কেপ্তেন ইরিক লালসঙজ্বালানা শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা মিটর ৩০ ৱাৎলিঙৈদগী কাওশিনখিবা সোট অমা মেসিদোনিয়াগী গোল পোষ্টতগী খর থৈনা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌদবনি। মখাতানা ইন্দিয়াগী এটেক্ট লৈখি। কেপ্তেন ইরিকনা অতোপ্পা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় নোংমৈকাপম স্রিদার্থতা খায়রকখিবা বোল অমা স্রিদার্থনা মেসিদোনিয়াগী গোলকিপ্পর অদুবু লান্থোকপা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ওইহৌদবনি।

মেচতকী ২৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী খ্বায়দগী ফজবা খুদোংচাবা অদু ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোয় মণিপুরি মচা মহেসন তোংব্রমনা টিমমেটইরিক অমসুং এমোসানা পুশিনমিন্নরকখিবা বোল অমা ফংবদগী কাওশিনখিবদা মেসিনেদানিয়াগী গোলপোষ্টতা পানদুনা থক্তোরকখি।

মেচকী অনীশুবী হাফকী ৪২শুবা মিনটতা মেসিদোনিয়ানা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদগী পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মখাতারকপা মতম অদুদা ইন্দিয়ানা ইক্কেলাইজর অদু ফংননবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোয়শিনবনা হানখবদগী ০-১দা মায়থীহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হৌজিক ফাওবদা শান্নখিবা মেচ ৫গী মনুংদা অমা পাকপা ঙম্লি। অহানবা মেচ অনী মায়থীবা নংখি। অহুমশুবা মেচ দ্রো চৎখি। ৪শুবা মেচ কটারগা শান্নবদা মায়পাকখি। অদুগা ঙরাং মায়থীবা নংখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব সোলানকি অমসুং মনিশ কোসিক্না পোলেন্দদা পাঙথোকপা ফেলিক্স ইন্টর্নেসনল বোক্সিংদা গোল্ড লৌবা ঙমখ্রে



**ন্যু দিল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** পোলেন্দগী কোনুং ৱার্সোদা পাঙথোকপা ৩৬শুবা ফেলিক্স ষ্টাম ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর গৌরব সোলানকি অমসুং মনিশ কোসিকনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবা সোলানকিনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটিগোরিগী ফাইনেলদা ইংলেন্দগী বোক্সর ৱিলিয়ম কাউলিবু য়াম্না হেনবা মওংদা স্কোর ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই গৌরব সোলানকি মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বতা নত্তনা চহী অদুদা পাঙথোকখিবা মমিং লৈরবা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অমা ওইখিবা কেমিষ্ট্রি কপ্তসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা কিলোগ্রাম ৬০কী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা বোক্সর মনিশ কোসিকনা ফাইনেলদা মোরোকোগী বোক্সর মোহমদ হামোর্টপু স্কোর ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি কোসিকনা মমাংগী চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন গোল্ড মেদল ফংখি। মদুতসু নত্তনা কমনৱেল্থ গেমসতসু সিলভর মেদল অমা ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সরশিংগী মনুংদা ফাইনেল য়ৌখিবা কিলোগ্রাম ৫৬কী কাংলূপ্তা শরুক য়াখিবা মুহম্মদ হুসামুদ্দিননা রশিয়াগী মুখামদ শেখোবকা লম্বা তৌনবদা জজশিংগী মায়কৈদগী মহাক্কী ফেবরদা লেপখিদবদগী স্কোর ১-৪দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

মহাক্না ফাইনেল বাউট অদুদা হৌবদগী ফজবা মওংদা শান্নবা ঙম্লবসু পোইন্ট পীরকপগী মতাংদা জজ মঙাগী মনুংদা জজ অমখক মহাক্কী ফেবরদা লৈরগা অতোপ্পা জজ মঙা অমনা রশিয়াগী বোক্সর শেখোবকী মায়কৈদা লেপখিবনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

৩৬শুবা ফেলিক্স ষ্টাম ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অহুম ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

কিলোগ্রাম ৬৯দা ইন্দিয়াগী অর্জুন এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবা কুমজা ২০১৪গী কমনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবা বোক্সর মনিদপ ঝংগ্রা সেমীফাইনেলদা রশিয়াগী ভাদিম মুসয়বকী মখুত্তা স্কোর ০-৫দা লৈহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফংহৌবনি।

কিলোগ্রাম ৯১দা ইন্দিয়াগী বোক্সর সঞ্জিৎ সেমীফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী বোক্সর দেবিদ নিকাগী মখুত্তা ০-৫দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ ফংহৌখি।

কিলোগ্রাম ৬৪গী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী অনকিট খাতানা না সেমীফাইনেলদা পোলেন্দগী বোক্সর দামিয়ন দুরকাজগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২-৩দা মায়থীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি।

৩৬শুবা ফেলিক্স ষ্টাম ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা বোক্সরশিংনা নুমিৎ ৬নি লম্বা তৌনখিবা কম্পিটিসন অদুদা নুপা বোক্সরশিংগী ওইনা কেটিগোরি ১০দা অদুগা নুপীগীনা কেটিগেরি ৫দা লম্বা তৌনখি। টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী শেমশাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি।

# হরিয়ানাগী এফ সি অলাখপুরানা দিল্লিগী হান্স ৱুমেন এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে



**লুধিয়ানা, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** পঞ্জাবকী সিটি লুধিয়ানাদা লৈবা গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা ৩লক শুবা হিরো ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লিগকী অহানবা মেচতা হরিয়নাগী এফ সি অলাখপুরনা দিল্লিগী হান্স ৱুমেন এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

গ্রুপ ১গী অহৌবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা দিল্লিগী হান্স ৱুমেন এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। টিম অদুদা শরুক য়ারিবী নাইজেরিয়া মচা উসেনা উকাচুকুনা মখোয়গী এটেকশিং অদুশীনে দাকপা ঙমখি। মখোয়না চথরকখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইবা য়াবগী অফবা তাঞ্জাদি ফংখিদে।

নীংশিংবা য়াই, হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন লিগ টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৭দগী হৌখিবনি। অহৌবা চহীদা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা টাইটল লৌখি। কুমজা ২০১৮তা পাঙথোকখিবা ২রক শুবা এদিসনদা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অনী শরুক য়াখি। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লপ অমসুং ক্রিপসা ফুটবোল ক্লবনি। মদুদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা ফাইনেল য়ৌবা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকী মখুৎতা টাইব্রেক্তা লৈহৌবনি।

হন্দক্কী সেসন অসিদা মণিপুরদগী ক্লব অমখক্তমক শরুক য়ারি। হায়রিবা ক্লব অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবনি।

ঙসিগী অহানবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ হরিয়ানাগী ফুটবোল ক্লব অলাখপুরগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী চহী ১৮ মখাগী টিমদা শরুক য়ারিবী সমিক সানা টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা হান্স ৱুমেন এফ সিগী গোল কিপ্পর দিপিকা ভেনকটেসপু লান্থোক্তুনা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল শোথরবা হান্সকী মায়কৈদগী অনুস্কা শ্যামুৱেলনা ফংখিবা বোল অমা ইক্কেলাইজর ওইনবগীদমক কাউশিনখিবদা মপা খজিত্তুংপৈথোকখিবদগী গোল কিপ্পরনা নীংথিনা ফাবা ঙমখি।

মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা অলাখপুরাগী সমিক্সানা চনখিবা পাঞ্জল অদু হান্স ৱুমেন এফ সিনা হন্দোকপা ঙমদনা ০-১দা মায়থীখি।

# ইন্দিয়াগী সৌরব ঘোসল অমসুং জোস্না চিনাপানা নুপা অমসুং নুপীগী এসিয়ন স্কৱাস চেম্পিয়ন ওইখ্রে



**কোলা লম্পুর, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকপা এসিয়ন ইন্দিভিজ্যুল স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় সৌরব ঘোসল অমসুং নুপীগী শান্নরোয় জোস্না চিনাপানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

সৌরব ঘোসল চেম্পিয়নসিপ অসিদা নম্বর ১ সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহাক হৌখিবা চহীদা রন্নর্সঅপ তাহৌবনি। ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় হোং কোংগী লিও উচুন মিংগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায় পাকপা ঙমখি।

অহানবা গেমদা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১১-৯দা থোইখি। অনীশুবা গেমদদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব ঘোসলনা য়াম্না কোম্না শান্নবা ঙমদুনা ১১-২দা থোইখি।

গেম ২ মাংজিল থাবা ঙম্লবা সৌরব ঘোসলনা ৩শুবা গেমদা হোং কোংগী শান্নরোয় অদুনা পীরকপা লম্বা খুদিংমক মায়োক্নবা ঙমদুনা শান্নখি। হোংকোংগী লিও উসুন মিংগী মায়কৈদগী পোইন্ট ৮ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী সৌরব ঘোসলনা পোইন্ট ১১ ( য়ৌবা হানখিবদগী ফাইনেল মেচ অদু ১১-৯, ১১-২, ১১-৮তা থোইরগা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াবদি, সৌরব ঘোসলগী কেরিয়রদা এসিয়ন ইন্দিভিজ্যুল স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল ফংখিবা অদুনা অহানবনি। মহাক্না শান্নবা লোইরবা মতুং ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চেম্পিয়নশিপ্তসু য়াম্না নক্না টাইটল ফংহৌদবনি। হন্দক ফংবা অসিনা মহাক্কী মায়কৈদা হোৎননিংবা হেনবগী থৌনা অমসু পীখ্রে হায়খি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপানা ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ হোং কোংগী এনি উগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াবদি, জোস্না চিনাপানা মমাঙগী চহীদা এসিয়ন ইন্দিভিজ্যুল স্কৱাস চেম্পিয়নশিপকী টাইটল হোল্ডরনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৭গী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা হোং কোং ইন্টর্নেসনল ওপন স্কৱাস চেম্পিয়নশিপ্তা জোস্না চিনাপানা এনি উবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মদুদা শান্নরোয় অনীগী ইকোন কোন্না লম্বা তৌনখিবা মেচ ওইখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম জোস্না চিনাপানা য়াম্না কোম্না ১১-৫তা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা হোং কোংগী শান্নরোয় অদুনা কন্না হোৎনদুনা ১১-৮তা থোইরগা গেম অমমম মান্নখি। অদুবু ৩শুবা অমদি ৪শুবা গেম অদু জোস্না চিনাপানা ১১-৬, ১১-৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# ইন্দিয়াগী সারন অমসুং ব্রাজিলগী দিমোলাইনর বাবরিয়ন ইন্টর্নেসনলগী ফাইনেলদা লৈহৌরে

**ন্যুদিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** ইন্দিয়াগী টেনিস শান্নরোয় দিভিস সানরনা ব্রাজিলগী মার্সেলো দিমোলাইনরগা পেয়র ওইরগা জর্মনিগী ম্যুনিক্তা পাঙথোকপা য়ুরো ৫৮৬,১৪০গী শেলগী মনা লৈবা বাবরিয়ন ইন্টর্নেসনল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুবু দেমার্ক্কী ফ্রেদেরিক নেলসনা অমসুং জর্মনিগী টিম পোইষ্টকী খুৎতা ষ্ট্রেট সেট ২দা ৪-৬, ২-৬তা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলগী পেয়র অদুনা বাবরিয়ন ইন্টর্নেসনল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী রন্নর্সঅপ তাখিবদগী পুন্না এ টি পি পোইন্ট ১৫০গা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা য়ুরো ১৫,২০০ ফংখি। অমরোমদা টাইটল ফংখিবা দেনমার্ক অমসুং জর্মনিগী পেয়র অদুনা এ টি পি পোইন্ট ২৫০ অমদি শেল ওইনা য়ুরো ২৯,৬৫০ ফংখি।

অতোপ্পা মেক্সিকোগী প্যুর্টো ভলার্টাদা পাঙথোকপা এ টি পি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র জিবন নেদুনসেজিয়ন অমসুং পুরপ রাজা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেট রিদ অমসুং জোন পেত্রিক স্মিটকী মখুৎতা ১-৬, ৬-৩, ৮-১০দা মায়থীহৌখি।

য়ুএসএগী সভানাদা পাঙথোকপা এটি চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টঅমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় সুমিত নগাল ইটালিগী পাউলো লোরেঞ্জিগী মখুৎতা সেমি ফাইনেলদা ৪-৬, ৬-৪, ২-৬তা মায়থীহৌখি। লোয়ননা টর্কিগী অন্তালাদা পাঙথোকপা আইটিএফ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জেনিফর লুইখাম ফাইনেলদা নেদর্লেন্দসকী ইন্দি দি ব্রুমগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

# চিঙা ভেঙনা ওজোনবু ১-০দা থোইখ্রে

**বেঙ্গালুরু, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** হিরো সেকেন্দ দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্নু ওইখিবা করনাটাকাগী ওজোন ফুটবোল ক্লবপু মিজোরামগী চিঙা ভেঙনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি বেঙ্গালুরুদা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্নু ওজোন ফুটবো ক্লব অমসুং মিজোরামগী চিঙা ভেঙগা লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

পনবা য়াই, সেকেন্দ দিভিজন লিগ অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা চিঙা ভেঙ অহানবা মেচ মণিপুরগী ত্রাওগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীবা নংখিবনি। অমরোমদা ওজোন ফুটবোল ক্লবনা লোনষ্টার কাস্মিরবু ৩-০দা থোইখি।

মিজোরামগী ক্ল ব অসিনা ঙসিগী মেচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়না অকনবা থৌনাগা লোয়ননা শান্নবা ঙমখিবনি। অমরোমদা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরিবা ওজোননা টেবলগী মকোক্তা লৈনবগীদমক চিঙ ভেঙবু পাঞ্জল হেন্না মায়থীবা পীনবা হোৎনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা চিঙ ভেঙগী মায়কৈদগী লালরোনমৱিয়ানা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ওজোনবু মায়থীবা পীখি। থা অসিগী ৮দা মণিপুরগী ত্রাওনা ওজোনগা বেঙ্গালুরুদা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী নরং অমসুং স্রিয়াঙ্কা মিক্স এয়র রাইফল কম্পিটিসনদা সিলভর মেদল ফংখ্রে

**প্লজন, মে ০৫ (এজেন্সী)ঃ** জেক রিপাব্লিক্কী সিটি প্লজনদা পাঙথোকপা গ্রান্দ প্রি ওফ লিবরেসন ওফ ইন্টর্নেসনল সুট্টিং কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী গগন নারং অমসুং স্রিয়াঙ্কা সদাংগি মিটর ১০গী মিক্স টিম এয়র রাইফলদা সিলভর মেদল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা পুন্না পোইন্ট ৪৯৮.৪ ফংখিবদা পুন্না পোইন্ট ৫০০.৮ ফংখিবা জেক রিপাব্লিক্কী এনেতা ব্রাকোভা অমসুং পিটর নিম্ব্রুসকীনা গোল্ড লৌখি।

ব্রোঞ্জ অদুনা জর্মনিগী মেক্স মিলন দালিংগর অমসুং ইজাবেলা ষ্ট্রোবনা লৌখি।

কম্পিটিসন অসিগী নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী রুদ্রান্স পতেলনা পোইন্ট ২৫০.৮ ফংলগা সিলভর লৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর রিদে হজারিকানা পোইন্ট ২২৮.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ অদুগা জেক রিপাব্লিক্কী ফিলিপ নেপেসলনা পোইন্ট ২৫২ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি।

মিটর ২৫গী সেন্টর ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী হরপ্রিট সিংহনা পোইন্ট ৫৮০ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুগী সিভলরনা পোলেন্দগী ওস্কর মিল্লিৱেথনা লৌরগা ব্রোঞ্জ অদুনা য়ুক্রেনগী ভিক্টর বেনকিননা লৌখি।

নুপাগী মিটর ২৫গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুবাস রানানা পোইন্ট ৫৭৫.৩ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা পোইন্ট ৫৭৮ কাপখিবা পোলেন্দগী পিয়োটর দানিলুক্না লৌখি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ অদুনা রসিয়াগী অলেকজেন্দর মার্সেপনা পোইন্ট ৫৭০ফংলগা লৌখি।